রারী মচা

# থৈরক্কবা যুগ

**–জিতেন নামৈরাকপম**

লৈকাইগী খুরাহন সনায়াই শিরে। লায়না তিলনা চেন্দনা মশ–মউ ফখিবা অহলনি। খুরাহন্না অয়ুক্কী ৱাকিং চৎপদা খৌদেম্বগী মখোলনা নোং–ঙান্দৌরে খঙনরিবনি। অদুবু ঙসাই নুংথিল মশু ময়াম লক্কদুনা শান্নরম্বদগী খঙহৌদনা লেকথখি হায়দুনা নিংথি–নুঙাইনা লায়কন্নবকা নংদনা অদুম গত্ত ওইখ্রমাল্লে। পুং ১ / ২ দি ত্তান তারপ লৈরম্মী হায় অদুবু থবক ফবিবা মাইবা কোকঙাংখোয়, পালা বিধুখোয়না মনাক্তা ফমশেন্নদুনা হরিনামবু শোনবও, কপশিন–লাওশিন্নবীবও, অমরোমদা কু চনবীবগী তোক–তাক গোং–গাং হায়বনচিংবা ময়ামদুনা নমদুনা লানবীখিরম্বা ওইরমগদ্রা হায়বদুমদি চপ–চাবা খঙদ্রে।

নিথম থাগা ওইবনে, ঈংবনা মপান থোকনিংদবা নুমিদাংগী মতম্নি। অদুবু খুরাহনগী মীকৌ মীরাক ফজবা অমদি অঙাং অহল খায়দনা তিন্নখিবনা পোলোয়বীনবা মী ৱাৎখিদে। ঙাইহাক্কী মনুংদা ৱা, শীং, তয়ার, শীংজং, য়োৎপাক,থাঙজৌ লোয়নরবা নহারোল খ্বাংশেৎ, কোকশেৎ খুদৈ–মতেক ফৈইন ময়াম মোংফম তম্না মরী মরী থোক্লরকই। খরনা থবক শুরি। খরনা ৱারেম ঙাঙলি। থবক শুবা মী মশিংদগী ৱারেম ঙাঙবনা হেল্লি। শুরিঙৈদা তাকশিনবা মীগী মশিংসু ইনোপ নোপতে। অদুবু কুইদে, ঙাইহাক্কী মনুংদা মোংফম শেংবা, শীং শেম্বা, হুমাই শাবা, চান্দৱা য়ুংবা থৌরাং পূন্নমক লোইশিল্লি। পুং, ঝাল, মীকপখোল মরক্তা হিকথরপ তৌবা শুরদা পালা বিধুগী লোরবা খোঞ্জেলনা নমহৎলকই – ‘‘ধোনো মোবো নিত্যাইনন্দো...।’ হাপলেম্পগী মঙালসু মোংফমলোমদা নকশিল্লকই। মরক্তুদা লাইনিং লাইশোন্দা থৱায় লুপচবী শগোলশেল বর্ত্ত তৌবী লৈকাইগী ইন্দোন্দুমদি য়ান্নমক মরনাইগী ওইনা মথ্বায় শোক্লা তেংথাজে।

ইমুং হুপ্লা মৈ কোইবনচিংবা লোয়রবা মতুংদা নাকনগী পুখ্রিদুদা লুপ্পরা লুপ্পদবরা চংনরক্লগা মরী মরী কানখ্রে। ইকান কান্নদনা মোংফমগী অকোয়বদা ফম্নরম্বা অয়াম্বসু মীরৎ নারৎ য়েংলগা শৎ শৎ মাংনখি। মাংনখ্রিবশিংদু হৌনবা ফি–রোল তুম্বদি ইয়াও য়াওনখিদে। ঈংমনবদুদা তৌরিব্রা নৎত্রগা ঐখোয়না চৎলিবসি য়ুমদা নত্তে, হল্লকখিনি হায়রিব্রা, চপ চাবা খঙবা ঙমদে।

অয়াম্বা চৎনখ্রবনিনা অততাই তাহৌবা নহারোল ৪ / ৫দং ঙাইহৌরে। অহলদা হায়রগনা, নহা ওইনা খুরাহনগা য়াম্না লুনা তিন্নজবা অয়ুক্কী ৱাকিং মরুপ তা– মাইরেঞ্জাউ মঙাইরে। মখোয়শিংদু ইকোয় কোয়না মৈ য়াইদুনা ফম্লি। নাকন্দা যজ্ঞগী শীংসু মৈচাক ফরকই। তাঞ্জাদুদা নহা অনিখক চেনচৎতা শ্বর থবেৎ–থবেৎ হোল্লদুনা চঙশিল্লকই। অমনা তহা–তহা পাউদম্লে ‘‘কমান্দোনা চাইহৌরে। উচিন–নাচিন্নদি লৌরকত্র কৈকান্নবা নুংদাংসিদা খুল শঙলিবনো খঙদে। মখোয়না ফানিংলিবা নহারোলশিংদুদি অমত্তসু লৈরম্লরোই। ঐখোয়না খরা খরা থকচাবসিফাও মীহুন ঈচেল হেক চেনখৎহল্লি।’’ হায়রম্লগা মখুৎ শৎ হুজিন্দুনা ফিনুংদগী পিক থনবা প্লাষ্টিক খাও অমা চিংথোরকই। মচিন মথক–মখা থক ওম্থোক্লগা মচেৎ নাম্মদু শাংলপ চিংথৎলি। ময়ানা কক চিকথৎলগা ফু কামথোকই। অমনা হায়রকই – ‘‘বেষ্ট, প্লাষ্টিক মায়চোনবী! গ্লাসতি কদায়?’’

– অথেংবসিদা কদাইদগী গ্লাসনো হৌজিকপু! চিন্ন অমুক–মুক হেক্তা চুপ্পরসি।

– এ! ঐদি মদুম অমুক্তা তৌরক্ত্রি, হাদৌ মাল্লি।

– তা–মাইরেলদা হান্না চুপহল্লু, তা–মাইরেন্দা। অহন্না দাইকোক্তসু ফম্বিরবনিনা হৌবিরো।

– অসঃ ওম্থোক–ওম্থোকপসি য়াম তৌদৌরিদা হনুথংসিদা!

অসি হায়রম্লগা তা–মাইরেনদা লৈপুংখাংঙা মহি থকপদৌনা শুগৎলগা চিংই। য়েৎলোমদা অমুক লাল্লি। শুগৎ–শুগৎলগা অঙম–অঙম্বা চাংদা চিংনখিদুনা মপুমদুমা রাউন্দ অহুমলক্তা তৎলে। নিক–নিক লাউনা য়াউরিবা প্লাষ্টিক খাও অহুমখকসু নাকন্দা পাকশন্না তারি। তাঞ্জাদুদা রঘুনা চা–কপ মপান অকায়বা অমা ফুরিৎখাও মনুংদগী লৌথোরকই– ‘‘সোমদা শীং শেল্লিঙৈ, হুমাই শেন্নরিঙৈদা কপ য়াউরকই হায়বা কাউরুরে’’ হায়রকই। লোয়ননা প্লাষ্টিক মপুম অমা মহাক য়াওদনা থদৎলম্বগীসু নুঙাইতবা ফোঙদোরকই।

– ‘‘এঃ অদুদি মাগী পিক থন্না অমা হৈজিল্লু! নিকসন নিকসন হৈজিল্লু!’’ তা–মাইরেন্না হায়রকপনি। মখা তারকই, ‘‘কমদৌই ইবো?’’

ইশু–শুগৎলগা কপতু লাম্থোরকই, রঘুনা হু–হা, হু–হা তৌনা খন্নকই– ‘‘কাথী নন্নপ তৌই।’’

– ‘‘অদুনিনে। শিন্সু শিল্লি। হাওত্রো! মমাঙগী হনুবীদুগী লৌরক্লেদি হায়দদনা মাই তোমচৌসিনা কাচিনগী হল্লকপীদুদগী পুরকপা ওইরিনি। ইবো নঙ’ মা পাখঙনেনা নশাদু লোইরেনে মদুগী হল্লকপীদুনা ফদি শুম্বদৌনা শুম্বদা! পিক্লপ হৈয়ুনে। চাওমল্লিনে। মারিনবদি কদাই, অমত্তা লৈত্রবরা’’

‘‘তা–মাইরেল, হৌজিকপু কদাইদগী মারিনবা লৌরুদোইদো? সিমতংগা পায়শিনবীরো। গুৎ য়োৎশিল্লগা শ্বরদো ‘হো–আ–আ–আ–’ লাউনা অমুক্তং কামথোকপিয়ু। হা–আ–না মারিবমুক ফবা লৈত্রবনি। ঐখোয়বুদি ঙসাই হুইবুম অমা কক্লগা ঙৌ–ঙৌদুনা চারক্লবনিনা চানবসি কয়া পামদ্রে। পাল্লিবা হায়বু – হিদাক্লে হিদাক!’’

থগেবা অমগা লোয়ননা তা–মাইরেল শ্বর অমা শাংনা হোন্দোকই – ‘‘থুল্লা, মঙ্গল্লা মরু অমতংদি কক চিক্লিংখ্রেদা, শা ঙাসু চাদ্রবনিনা কংথকসিদি থবাকসে শে–শেৎ চিংখাইবোই নিংঙি। অদুবু ইনাওশা, নখোয় নহারোলশিংসি তশেংনা কীরে ইপা–ইপুনা চানরম্বা চিঞ্জাকশিদগী হেন্দোক্তুনা চাহৈদবা জাৎ–জাৎ চানরক্লে!’’

রঘুনা থোক ওক্তুনা খুম্মী – ‘‘চাহৈবা চাহৈদবা খঙদে তা–মাইরেল। ষন, ইরোই, হুই, হৌদোংদি লায়রি, ইথা– থাজদনা কৌজেং কাংঙৌসিবু ওম্থোক্লা হাউখ্রেনে! হাউইবু, তা–মাইরেন্না খঙদ্রবননি, হাউখ্রে হাউখ্রে!’’

– হাউনি হাউনি। লিন কাংশোই, হঙোই বোরা, ঙাচক পাক্লম, উচি মেৎথোঙ কনাগী তীন–কাং অমত্তা লৈবা ঙন্নরোইদৌরি, নখোয়না চাবদা। কোলেরাগী মহিক ফাওবা ফারগা চারকখিনি। নখোয়গুম্বা ময়াম্না যুগ অসে থৈহল্লবা হায়দুনিদা।’’

–‘‘চাববু য়ারদি তা–মাইরেল, চারগেসিদা লৈরে। ‘চাহৈদবা’ হায়বা ৱাহৈসি থন্নরোই’ সিনি ননাউ ঐখোয়না খঞ্জরিবসি তা–মাইরেল!’’

–‘‘চাবা ফংদদুনা শিখ্রবা করম্বা থৱায়না পোক্লকপনো খঙদ্রে নখোয়সি। ষন অশিবফাওবা ফুম্বা য়াদ্রে, হোৎকদবগী! নহান ফকচাউখোয়গী হুইনাউ অশিবা অমা মমাঙগী লমহাংদা ফুমখিবদু কনা–কনানো খরনা হোগায়রগা পুখ্রে হায়দনা লাউনখিবদু নখোয়না ওইরিনিনে? ঐদি নখোয়সে তশেংনা কীরে হায়রিসিনী। নিশা ফংঙি অনৌবা অমা থোরকপা য়াদে চাগদবগী, থক্কদবগী। নিশাগা, থিবোং লাওবগদা মৈতৈসি নম্বর ৱান তারবনি। সে, মচা অমগা হৈজিল্লু। ইবুঙো সনা নঙগী পেগতু চাওমল্লে। চিংবা ৱাই, পিক্লপ হৈয়ু। মুতুম ইবুঙো কোকফাবা, হুমাইসি অমুক্তা পায়রু। শীংসু খরা হাপ্লম্মু। নুংশিদা খুরা মরুপ নঙদি চৎখ্রেদো, অহান–অকোনগী ৱানি, ঐখোয়সু মফমসিদা নোংমদি শোয়দনা হিপকদৌররিবনী।’’

মখোয় পুন্নমক নিশা ফজনা পাল্লে। তপ্লি–তপ্লি হিদাক্কী রাউন্দ চৎপ্দি লেপ্তে। ঙসাইমখৈ মঙক লেকথ্দুনা লৈরুরবা তোমচৌনা কিম্থরক্লবা কু তম্না য়েংলগা লোল ফাইনা হায়রকই –

–‘‘তা–মাইরেল, মারিনবসু য়াউদ্রে ঐখোয় ৪ / ৫ দংসু ঙাইহৌরে, খুরাহন সনায়াইগী মৈদা মুন্না লৌরবা শদোংসি মচেৎ অমা ফক্লগা মহাউ তংসিদো?’’

–‘‘ঐদি ঙসাইনা পান্নবনি।’’ রঘুনা হায়রকপনি মখা তারকই, ‘‘খ্বাইদগী হাউবসি মীনি হায়নৈ। চাদ্রগবু হায়বা য়াবরা? চাসি। ঙসিদি ঐখোয়সু মী চাসি। ঐ লৌথোরক্কে।’’ হায়না হায়না রঘু হৌগত্তুনা চাক্লিবা মৈরোমদা চংশিল্লি।

–‘‘হায় রঘু হায়বা হিংচাবা মানবা, ফাগীনেদনবু অদুম তৌবা হৌনব্রা, অদুম ঙাংনু হৌনদেনে নখোয়বু।’’ তা–মাইরেলনা ঙক্লপ–ঙাওরপ হায়রকপনি।

–‘‘তা–মাইরেলদি খঙদে ঐখোয়দি চারনি।’’

–‘‘আ–আই! বিষ্ণু–বিষ্ণু মাই রঘু হায়সে, হে নঙবু তৌনুনে হৌনদেনে... হে রঘু আ আই হায় তৌরুনু হায়মী.... বিষ্ণু–বিষ্ণু মচেৎ অমা ককখ্রেয়নেহে!... ফরে হিংচা য়ায়তম্বশা নখোয়না থোকপা তৌহৌরো, ঐদি চৎলে!’’

হায়রম্লগা তা–মাইরেল, মানা খঙজবা লাইগী মন্ত্র শোল্ল–শোল্লদুনা হায়রং–তুরং মোংফম্লোমদগী থোক্লকই। লমজাওনা চিংদুনা ময়ুম মাইকৈ পাংলমদাইদা অমুক্তং মমাই ওম্থোক্লম্লগা মখোল ফাইনা লাওরম্মী – ‘‘নখোয়তদি ঐগী পোলোইবদা য়াওবীরক্কনুকো...।’’

তাবুনুংদগী

**কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ১৯৭৪ দা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক ‘‘মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে’’ হায়বদুদগী লৌথোকপা ‘‘রিপোর্ট’’ কৌবা শৈরেং**

অসি তাবুনুংদগী লৌখৎতুনা ফোঙদোকচরি

## রিপোর্ট

ঐগী মিং গোপেশ্বর
ইপাগী মিং ব্রগেশ্বর
ঐগী লৈফম কৈশামথোং
লৌ–লৌ লৈতে
ইখোল – ইখোল লৈতে
ষণ – ষণ লৈতে
তলব –তলব চাদে

করবার – করবার তৌদে
চহী – ইশাগী চহী নীফুমাথোই
নুপীগী মিং রাধারাণী
নুপীগী চহী কুন্থ্রানীথোই
পূন্না ইচা তরামাথোই
নুপা তরুক
নুপী মঙা

লাইরিক্কী উন্নবা

লাইরিক্কী মমিংঃ ঐবু কৌরিবা লমদমদুদা
অইবাঃ ইমোজীৎ নিংঙোম্বম
ফোঙবাঃ নিংঙোম্বম ওংবী ললিতা
মমলঃ লুপা ২৫/–

ইমোজীৎ নিঙোম্বম (১৯৭২)গী অহানবা শৈরেং লাইরিক ‘ঐবু কৌরিবা লমদমদুদা হায়বসি শৈরেং ৪৮ য়াওবা, লমায় ৬১ পানবা অদুগা মমলনা লুপা ২৫ পী। লাইরিক অসি নিংঙোম্বম ওংবী ললিতানা পদ্মা পিন্টরমদা নম্লগা ১৯৯৬তা অহানবা ওইনা ফোঙবনি। মখুমগী লাইনা রোবিন্দ্রো শাপম্না য়েকপনি। কবিনা মহাক্কী শৈরেং লাইরিকসিদা পুক্লিংগী ইহুলবু য়াম্না শাফু লৈনা ফোঙদোক্তুনা অপাবশিংগী থম্মোয়দা পালহন্নবা ফোঙদোকপা ঙম্মী। পুন্সিবু অর্থ লৈত্রে, পেন্দ্রে হায়দুনা ঐখোয় কনাসু ইশা ইশাগী ঙকশমদা খৌরী কেঙ্গোয়বু হেক্তমক হুকচিনবদি ঐখোয় অইবনা পুন্সিবু অনৌবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা শেমগৎনবা হোৎনরকপা উবা ফংই। কংলবা লৈমায়দগী হৌরকপা লৈ পাম্বী অমদসু হয়েংফাওবগী ঈরীক তুংশিন্দুনা লৈকাদা লৈনম লোৎশিন্দুনা থন্নিবা অথুপ্পা মতৌবু কবিনা খঙই। মহাক্কী শৈরেংশিং অসিবু লৌখৎনিবা মপুং ওইবা হীরমশিংদি মপুং ওইনা মখল অহুম্নি। মদুদি হিংবগী ময়াইদা ঙাওরবা পুন্সিদা মীওইবনা অশিবগী মায়কৈদা অসুম চঙশিনবা। অদুবু সমাজকী লৈহাওদা খরা তাশিনখ্রবা পুন্সিনদি মফমসে থাদোক্তুনা চৎনীংদবা,অদুবু চৎনিংদা চৎনিংদা অসুম দন্দি পান্নবনা চৎপা তারকপগী নুংঙাইতবদুনি। কবিনা পুন্সিবু থৱায় তানা চেৎনা কোনশিন্দুনা থম্বা পাম্মী। মখলসিগী শৈরেংদা পনবা য়াবা শৈরেংশিংদি ‘নীংশিংবা’ ‘ঐ অমসুং অতিয়া’, ‘চৎনিংদা চৎনিংদা’, ‘খৌরাংজবা লমদম অমত্তং’, ‘অকিবা’, ‘খোঙফম অমত্তং’. ‘দন্দি’, ‘হল্লকপা’, ‘লৈচিল’, ‘পম্বুংফম’, ‘ঐবু কৌরিবা লমদমদুদা – ১’, ‘ঐবু কৌরিবা লমদমদুদা –২’, ‘অয়েকপা লাই’, ‘ঐহাক্কীদমক’, মসি অসিনচিংবা পনবা য়াই।

অনীশুবা মখলগী শৈরেংদনা মায়কৈ খুদিংমক্তা অচৌবা শক্তিনা নৈহৎলকপদা, খুন্নাইগী পুন্সি, রাজনীতিনা শক্তি পাম্না অরানবশিংগী মখুৎ চনখিবা, রাজনীতি হায়বসি আইননা অয়াবা পীরবা করবার ওইরকপা, মদুগী ফলনা শেল থুমগী ফীভমদা চপখায়রকপদগী অঙাংশিংগী অহাঙবা চাকখাউগী ৱাকৎ, তুহৎ নৈহৎপা পূম্বদগী নীংতম্বা পান্নক–পান্নকপা উৎপা শৈরেংশিংদি – ‘থৌনা’, ‘কংলাগী নীংতম্বা নুমিত্তা’, ‘করম্বা কান্দ ফোঙগনি কেকু’, ‘নান’, ‘নীংশিংবা অমা’, ‘অনৌবা য়াওল’, ‘চাক লম্বা লানগী অঙাং’, ‘শৈরেং সবা তোকখিরোই’, ‘নঙগী লৈকোন্দা’ অসিনচিংবা মমিং পনবা য়াই।

অহুমশুবদা, মরৈবাক্কী উরিবা শক্তমসিদা অপেনবা পোক্তবদা কল্পনা লমদমদা চঙদুনা মঙ মঙদুন হিংবা পান্নকপা উৎলি। হয়েংগী চারোল শুরোলনা ঈংনা চিক্লা মৈশা লাংদনা হিংজহৌনবা অনৌবা সমাজ অমা শেমগৎচনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা শৈরেংশিংদি – ‘অতিয়াগী মচু মচু’, ‘হয়েংগী ৱাখলদা’, ‘নুং ওনখ্রবা পি’, ‘মঙালগী লমদমদা’, ‘লোইশিনবা ঙাইরিবা অহীং’, ‘অহীং নোংয়াই’, ‘পাউমী’, ‘মৈরীনা চাকথেকখ্রবা শৈরেং ’, অসিনচিংবা পনবা য়াই। মখল অহুমসিনা কোনশিনবা ঙমদবা মখলগী শৈরেংশিংদা মীওইবনা হৈমন শীংমনবদগী মহাক্কী ৱাখলদগী শেমগৎলকপা সভ্যতাগী অমম্বা মায়কৈ অমদা মশামক্তা হঞ্জিন্দুনা চারকপা, অরুবা অশেংবা পুম্বা মাঙখ্রগা নৈরবা ঈচাওগী ঈপাক অমনা তোরবান পাথোক্লবা সহরগী ৱারী, অচুম্ববু লৈরোল চল্লিবা সহর মখলসিগী শৈরেংদনা – ‘ঐ অমসুং তুরেল’, অমদি ‘অনৈবা সভ্যতা অসিনচিংবা মমিং পনবা য়াই। হুম্ফুতরাগী মতমগী মণিপুরী শৈরেংদা অথোৎ অমেঙ উরক্তবা, লৈকংলোগী লম্বীদা চৎপগুম্না চোকথবা অমদি হামচৎনবা অমা ফাওরম্বদু লাম্থোক্তুনা কবি ইমোজীৎনা লৈকংলা লাম্থোক্তুনা য়েন্নীংথাগী উমঙ অমা য়ৌরকপগী মুড অমা অপাবশিংদা পীবা ঙম্মী। অশঙবা উপাল ৱাপালনা মীয়েংগী লমখৈদা শন্দোক্তুনা লৈরি। অদুনা পুক্লিং হক্চাং অনীমক পোথাহনবা ঙম্বগী উরুম কবিনা অপাবশিংদা পীরি। অরোইবদা হায়নীংবদি কবি ইমোজীৎ নিংঙোম্বমগী শৈরেংশিং কয়াদা য়াওরকই। অশোনবা অৱাৎপা খরা লৈরবসু কবি ইমোজীৎ নিংঙোম্বমগী শৈরেং লাইরিক ‘ঐবু কৌরিবা লমদমদুদা হায়বসি থীম, লোন অমদি খুৎইগী মায়কৈ পুম্বদা য়েংবদা পাবা য়াবা শৈরেংগী লাইরিক অমনি।

চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

**দিসেম্বর ২৪, ২০১৫, শগোলশেল**

নোংচুপ হারম খোরজৈ লুপ অশম্বীদা (নোহাখোল) য়ুরেম্বমনা শিন্দুনা লুপ অসিগী হৌজিক হৌজিক জেনরেল সেক্রেটরীসু ওইরিবা তোংব্রম শামুঙৌ ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী শকখঙলবা ঈশৈগী শৈরেংবা অমসু ওইরিবা অসিনা মশানা ইজবা ‘পুন্সি ঈশৈনি ঐগী’ হায়না মিংথোনবা (ঈশৈ শৈরেং) অমদি খুদোল অমত্তং (শৈরেং) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী শগোলবন্দ নিউ কছার রোডতা লৈবা লাংজিং অচৌবা কম্যুনিটি হোলদা ফোঙখি।

থৌরম অসিদা কুমারী একে মিরাবাই, সোসিয়েল ৱেলফেয়র অমসুং কো–ওপরেসন মিনিষ্টর, গৌরো থোঙামচা, প্রসিডেন্ট নোহাখোল নোংথোম্বম অচৌবা, এসিষ্টেন্ট প্রো. দি এম কলেজ ওফ আর্টসকী ডা. শরতচন্দ্র লোঙ–জোম্বনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংবা ওইনা থৌরমসিদা শরুক য়াখি।

**দিসেম্বর ২৪, ২০১৫, শগোলশেল**

মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিনা শিন্দুনা লম্বোইখোঙনাংখোঙ অৱাং লৈকাইদা লৈবা ইবোতোম্বীগী য়ুমদা মহাক মশানা ইবা ‘থম্মোয়গী মপাউ’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা লোয়ননা মহাক্কী মচানুপী লোংজম বেদনানা ইংরাজি লোন্দা ইবা ‘রেমিনেন্স’ হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমসু ফোঙখি। থৌরমসিগী থৌরম মপু ডা. শগোলশেম লনচেনবা মীতৈনা থম্মোয়গী মপাউ লাইরিক্কী মরমদসু ৱা ঙাংখি।

থৌরমসিদা সহিত্য একদেমি এৱার্ড ফংলবা অইবা প্রো. যোধচন্দ্র সনশম, ডা. মখোনমনি মোংশাবা অমদি ক্ষেত্রি রাজেন অহুমবুসু ওকখি। তুংদা ২০১৫বু কায়না পাউজেল পিবা ওইনা নীংথম শৈরেং শৈদিন অমসু পাঙথোকখি।

**দিসেম্বর ২৫, ২০১৫, ইরাই**

কলচরেল রিছার্চ সেন্তর, মণিপুরনা শিন্দুনা ওরিন্টেল কলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. এমটি অচৌনা ইবা মহা কবি অঙাংহলগী খোরিলোন্দা মিৎয়েং অমা হায়না মিংথোন্দুনা লাইরিক অমা ফোঙবগী থৌরম দি এম কলেজ কেম্পস, জে এন এম মণিপুর দান্স একাদেমি মনাক্তা লৈবা দেব লিটরেচর সেন্তরদা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা খুমুকচম জয়কিষন, থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এমএলএনা অথোইবা লেঙবিরকপা ওইখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রো. পি নবচন্দ্র সিংহনা থৌরম মপু অমসুং ওরিন্টেল কলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. থৌদাম বিরেন সিংহনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। লোয়ননা ডা. চিরোম রাজকেটন, এসিষ্টেন্ট প্রো. খা মণিপুর কলেজনা কলচরেল রিছার্চ সেন্তর অসিগী পান্দম অমদি পাঙথোকখ্রবা থবকশিংগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

**দিসেম্বর ২৫, ২০১৫, ইরাই**

য়াইবিরেল কম্যুনিকেসন্সকী পব্লিকেসন মখাদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি থাংজম ইবোপীশক্লা ইবা ‘শজিবু’ হায়না মিংথোনবা ৱারেং লাইরিক অমা মণিপুর প্রেস ক্লব মেজোরখুল ইম্ফালদা ফোঙখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ হান্নগী ভাইস চিয়ারমেন্ট জে এন এম দি এ গীনা অথোয়বা লেঙবিরকপা অদুগা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি য়ুম্লেম্বম ইবোমচানা থৌরম মপু ওইখি। ফোঙলিবা লাইরিক অসি শৈরেং ইবা থাংজম ইবোপীশক্লা ইবা অহানবা ৱারেংগী লাইরিক্লি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা অয়াম্বা ৱারেংদি মতম মতমগী সাহিত্যগী চেফোঙশিং অমসুং মণিপুরী পাউ–চেশিংদা ফোঙখ্রবশিংনি। অইবনা মহাক্কী পূক্লিংগী ৱাফম খরা পাউদম্বদা লাইরিক অসি মতম কুইনগী মমাঙদগী ফোঙগে খন্দুনা লাকপদু ঙসিদি য়াইবিরেল কম্যুনিকেসন্না মঙফাওনহনবিরে হায়না হরাও নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

**দিসেম্বর ২৫, ২০১৫, ইরাই**

য়াম্বেম পব্লিকেসন খোয়াথোং ইম্ফালনা শিন্দুনা ‘ফিল্ম অমসুং ফিল্মগী আর্ট’ হায়না মিংথোনবা য়াম্বেম তোম্বীনা ইবা লাইরিক অমা মণিপুর হিন্দী পরিষদ, হান্নগী এসেমব্লি রোডতা লৈবা হোলদা ফোঙখ্রে।

থৌরমসিদা অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা অথোয়বা লেঙবিরকপা অমসুং ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী দিলিপ ময়েংবম্না থৌরম মপু ওইখি। ডা. খুন্দোঙবম গোকুলন্দ্র, এসোসিয়েট প্রোফেসারনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংখি

শৈরেং

### ইমা

*–আরকে বিমোল–*
*শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ*

মাগী মায়পাকপা নুমিৎতা
কনাবু য়েৎলুবা ঙমখি
ঙম্মীবদি মাতনি
মাগী থৌজালনা হিংই।

মাদি শোকউবা য়াদে
লেমজন্‌ফম্নী অহিংবশিংগী
অশেম্বা ৱা ঙাক্তা
পুমশম শম্নরি হিংবগা।

তোয়না হায়রি নখোয়না অচুম্বা
পুন্নমক অচুম্বা ঙম্বা
মসিনি মাগী পুন্সি
মখা পোল্লি ঐখোয় লোইনা।

অদুনা কৌই ইমা
থিরুবনি, পুন্নমক মানা ঙমখি
কয়া অমা মানা হাৎখি
হিংহনখিবনা মশীং লাক্ষানি।।

### লাইবক

*–এম অরুন*

মতম খায়দে মহাক্তি
থবক তৌবা ঙম্মী
নুংথিনদা মহাক থবক শুই।

অদুগা অহিংদসু অদুম নোম্মি।
শান্ন–খোৎনবা থাদোকই মহাক
অদুগা নুঙাইবা খরসু থাদোকই।

পাবদা ৱাবা লাইরিক কয়া মানা পাই,
অনৌবা লৌশিং তাসিন্নবা।
অদুগা মাঙ থানা চঙশিল্লি
মায় পাকপা ফংনবগীদমক।

ৱানা চঙশিল্লি মশাবু শাগোন্নদুনা
পুক্লিংগী অচেৎপা থাজবা অমসুং থৌনা,
মীয়াম্না মাবু মরাইবক ফবনি হায়বি।।

### মতম লৈরি নখোয়গীসু

*–পী কেসো*

লমদমসিগী অঙম্বা
শঙ্গ লৈবা অথোইবা

নাপল কৈথেল কারিবা
চাওইদকো অচৌবা।

নখোয়গী নুমিৎ থোকপনা
নখোয়গী নুমিৎ তাখিদ্রে

কেগেদা ননিং তন্নীবা
কয়াম কুইনবু তম্লগবা।

লাইগী ৱায়েল লৈবনি
অচুম্বনা মায় পাকপনি

ৱায়েল ৱারোল তপ্লসু
নোংমদি শোয়দনা লাক্লনি।

নুমিৎ থোকপনা নুমিৎ তাখিনি
মহৌশাগী খুৎশেম্নী, তাইবংগীসু লিচৎনি

অমুক কপ্পা অমুক নোকপা
মখোয়গীসু অহিং লাকখিনি

মতম লৈরি নখোয়গীসু।।

### হে মতম

*–ৱাই পীশক*

হে মতম !
চৎখিনি নঙদি
কনানসু খাম্বা ঙমদনা
লৈহৌগনি পুন্নমক
পুৱারী ওইনা
হে মতম!
খামগে হোৎনৈ
চৎখি নঙদি
মাংখিবা হে মতম
নীংশিলুবদা
অৱাবা মৈচাক ওইহল্লি।।

### বান্দিট ক্যুইন

**–এলঃ মৈপাক**

হেক্তুনা চিনবদী চৎনরগা
পোন্নিবা লৈবু,
ৱারীনখ্রগা অশেংবা থৌদোক্তুবুদি
থিংলিনে বান্দিট ক্যুইনবুদি!

মমি নত্তে পুৱারীনি
উৎথোকপনি মালেমদা লিথোকপনি
ভারতকী নুপী
হিন্দুগী হরিজন।
করিবু অমুক হংনিংলীবগে
হংলো ৱাথোক্লি মথংদা।।

### অমখত্তনি

**–থোংঙাম ধন্নজিৎ**

থরাক–থরাক য়াল্লিবা পুন্সিসিদা
কন্ন–কন্না চিংঙি শম্নদবশিংদুনা
লুন্ন–লুন্নবা পোৎলুম কয়াসু
য়ানলকই মথং মথং
ঐনদি শোঞ্জে
পূন্নমকসে অমখত্তনি।।

### হিংনবগীদমক

**–এলঃবিঃ প্রিয়োকুমার**

ইনাও অমা লৈ য়াম্না পিক্লিবা
বোই কৌই মরোল শুদ্রি,
নোংমা ঐনা মাবু ফারগা
থোঙ লোনশিন্দুনা থমখি কানুংদা,
মহাক্না নিঙাই তৌখি হাংদোক্লবা
ঐনা হংখি – ঐবু নুশিবরা?
খুম্মকখি মচিন্না – য়াম্ন নুংশি

ঐনা হায়খি – নখুৎ তম্মু
মানা তম্মী– অনী নুংশি,
ঐদি নোকখি তাবদা,
মরমদি, মহাক মশীং খঙদ্রি,
অনী হায়বদুতনি ঙাংলিবা।।